**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-11-2025)**

**সিএস (এল)ঃ** থা অসিগী ২১ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫ বু মীয়ামনা শৌগৎপীনবা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা আপিল তৌরি।

চীফ সেক্রেটরিনা ঙরাং নুমিদাং থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদা মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তি কয়া উৎকদৌরিবনি। ফেষ্টিবেল অসিনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন হিংগৎহনবদা, লম কোইফমশিং হেন্না খঙহনবা, নহারোলশিংদা শক্তি পীবা হেনগৎহনবা অমসুং কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা, মনিপুরগী মীয়াম অখন্ননা লাঞ্জেন্নরকপা আই.দি.পিশিং অমদি মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমকা ফেষ্টিবেল অসিবু শৌগৎপীদুনা মায় পাকবা হোৎনমীন্নসি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা মখা তানা আপিল তৌরি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মফম কয়াদগী লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মালোম মখা লৈকাইদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ.-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু ককচিং জিলাগী ৱাবগাই ময়াই লৈকাইদগীনি। মীওই অদুদগী মোবাইল ফোন অহুম, অধার কার্ড অমা, গাড়ি অচৌবা অমা অমদি শেল ওইনা লুপা লাখ অহুম লিশিং ২৫ ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মখা তানা লালহৌলুপ অসিগী মীওই অমসু কৈবুল লমজাউ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা

কৈবুল অৱাং থানা লৈরক্তা লৈবা মশাগী ময়ুমদগী ফাখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনসু লাঙ্গোলদা লৈবা ভারাগী কা অমদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (নোংদ্রেনখোম্বা) গী মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওই অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈরেনফাবী মমাং লৈকাইদগীনি।

ককচিং জিলাগী ককচিং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খরুংপাৎ মরিং বফেলো ফার্মগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিংসু ফাগৎখি। ফারবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-অহাংবা মেগজিন য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল অমা, অহাংবা মেগজিনগা লোয়নবা পিষ্টোল অমা, মরু অনি য়াওবা মেগজিনগা লোয়নবা পিষ্টোল অমা, হেন্দ সেট অমা, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অমা, টিয়ার স্মোগ সেল অহুম, ৱয়ার য়াওবা দিটোনেটর মঙা, আই.দি.এল. এক্সপ্লোসিপ তরেৎ, কিট লোঞ্চিং অমা য়াওনা পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি।

মখা তানা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বিষ্ণুপুর জিলাগী মমাং পাৎতোনগী অকোইবদগীসু য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে। খুৎলায়শিং অদুদা-মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোলগী মেগজিন অনিগা লোয়ননা নীংথিনা শেমদোক্লবা পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, স্নাইপর অমা, নম্বর থারতি সিক্সকী হেন্দ গ্রেনেদ অনি, টুয়েল্ব গ্বেসকী কাপ্সা য়ারিবা মরু মঙা, নাইন এম.এমগী মরু মরি, থ্রি নোট থ্রিগী মরু মঙা, টু ইঞ্চ মোটোর রাউন্দ অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া অমসু ফাগৎখি।

নাকল অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী লিখাই খুলদগী মীওই অহুম হেরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলম কিলোগ্রাম অমা হেনবগা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু জিলা অসিমক্কী সিংঙাট, খৌজিং

অমসুং বোলজোল খুলদগীনি। মখোয়দগী তোঙান তোঙানবা সপোন কেপ ৯৬ তা গাড়ি অনিদা পুরক্লম্বদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখিবনি। থা অসিগী ১৭ তসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈবুংগী খুশুম ওইল পম্প মনাক্তগী মীওই অনি হেরোইন পাউদর গ্রাম ৩৫৩ হেনবগা কোন্ননা ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা পাওল লমখাই অমসুং ক্বাক্তা বজারদগীনি।

**সিএম (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং তমেংলোংগী জোইন্টস ত্রাইব কাউন্সিলগী মীহুৎশিংনা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ইনপুই, য়াংমাই, রোংমৈ অমসুং জেমি ফুরুপকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

উন্নবা অদুদা হন্দক রাজ্য থাক্তা পাঙথোক্কদবা ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেলগী মতাংদা শেম শাবা অমদি করি করি থবক থৌরমশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মদুদা, শ্রী বিরেনগী মায়কৈদগী কাউন্সিলগী লুচিংবশিংনা লমদম অসিগী নাৎ-চৎনবী অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন কয়াগা লোয়ননা কুম্হৌ অদুবু মায় পাকা পাঙথোকবা লৌরক্লিবা ফিরেপ অদুগীদমক্তসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**কৈবুল (এল)ঃ** সঙাই অমদি কৈবুল নেসনেল পার্ককী মতাংদা মহৈরোইশিংবু মপুং ফানা খঙহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙরাং মোইরাংগী এদভান্স ইন্টরমেদিয়েট কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসননা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা কুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। পুন্না মহৈরোই ৫৩ না শরুক য়াখিবা চাংদমবা অদুগী মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংবু দিসেম্বর তরাদা পাঙথোক্কদবা সঙাই নুমিৎ পালন থৌরমদা মনা পীদ্না পুকিং থৌগৎকনি। লোয়ননা সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসন মনিপুরগী ত্রষ্টি মেম্বরসু ওইরিবা ইনভাইরোনমেন্টলিষ্ট-ডা: কে.ঐচ. শামুঙৌনা ইবা সঙাই অমদি অকোইবগী ফিভম হায়না মিংথোনবা লাইরিক কয়া

অমসু কলেজকী লাইব্রেরীদা খুৎশিন্নখি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলদা নৌনা মায় পাক্লবা এন.দি.এগী এম.এল.এশিংগী মীফম অমা ঙসি পটানাদা পাঙথোক্কদৌরি।

মীফম অদুদা অপুনবা এম.এল.এ. ২০২ গী মনুংদা বি.জে.পি, জনাতা দল য়ুনাইটেদ, জন্ন শক্তি পার্টি (রাম বিলাশ), হিন্দুস্তানি অৱাম মোর্চা অমসুং রাস্ত্রিয়া লোক মোর্চাগী মীহুৎশিং য়াওরি।

মীফম অদুনা এন.দি.এগা মপাং ওইরিবা দলশিংগী লুচিংবা খন্ননবগী মীফম অমা ওইগদৌরি। মসিগীদমক বি.জে.পি. পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডনা উত্তর প্রদেসকী উপ মুখ্য মন্ত্রি-কেশব প্রসাদ মৌরিয়াবু বি.জে.পি. লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবশিংগী ওবজাভর ওইনা হাপখ্রে। মসিগী মথক্তা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-অরজন্ রাম মেঘৱাল অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-সদভি নিরঞ্জন জোতিবু কো-ওবজাভর ওইনা খনখ্রে।

অনৌবা মন্ত্রি মন্দল শগোলশেল নুমিৎতা পটনাগী গান্ধি মাইদানদা ৱাশক লৌগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং এন.দি.এগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়ারবা য়াই।

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- টেরোরিজমগী থৌওং অমত্তা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা খক তুমিন্না খাঙদুনা লৈথোক্লোইদবনি।

রাসিয়াগী মোস্কোদা পাঙথোকপা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন কাউন্সিল ওফ হেদস ওফ গভরমেন্টকী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-টেরোরিজম, তোখায় তাবা অমসুং এক্সত্রিমিজমগী থৌওং পুমমক হীরম অমত্তদা ঙাকপীফম থোক্তে। ক্লাইমেট চেঞ্জ, পেনদামিক্স অমসুং মুকবশিং লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মালেমগী লৈবাক পুমমকা মোত অমত্তা ওইনা পুন্না থবক

তৌমীন্নবা তঙাইফদে।

**দিল্লিঃ** কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱাল অমদি দিল্লিগী উপ রাজ্যপাল-বিনয় কুমার সকসেনানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং বোট টুরিজম অমসুং ফেরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট প্রোজেক্টকী মতাংদা খন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অদুনা প্রোজেক্ট অসিগী মতাংদা অমুক হন্না কুপা খন্নরবা মতুংদা শ্রী সোনোৱালনা হায়-সরকারনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিনা ঈশিংগী লম্বীশিং অনৌবা মওংদা শেমগৎ শাগৎপা অমদি তুং কোইনা চৎনবা য়াহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থন্লি। মহাকা হায়-অকোইবগী খলদা অকায়বা পীরোইদবা মওংদা যামুনা তুরেলদা পায়খৎকদৌরিবা ক্রুজ টুরিজম অসি মায় পাক্লবদি অনৌবা মায়ওল অমদা লাকপা ঙমগনি। প্রোজেক্ট অসিনা নিতি নিয়ম চুমা অকোইবগী খল ঙাকা পায়খৎপা ঙম্লবদি ঐখোয়গী ঈশিংগী লম্বীদা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক হেন্না খুমাং চাউশিনবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা লম কোইবা কয়াগী পুকিং চিংনবা ঙমগদৌরিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই ফেষ্টিবেলগী মায়োক্তা আই.দি.পিশিংনা চংশিনবা খোঙজং মীয়ামনা শৌগৎপীয়ু হায়না কোকোমিনা আপিল তৌবা, সেনিয়ার একাউন্ট ওফিসার অমা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা ফাখিবা অমদি সরকারনা লমদম অসিদা কোওপরেটিবকী খোঙজং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নবেম্বর ২১ দা মনিপুর মীয়ামনা শিন্থা লেপ্পীয়ু, ৱাকৎ মীফম ফম্বীয়ু হায়বা কোকোমিগী ৱাফমগা লোয়ননা ফেষ্টিবেলগী কায়থোক্লিবা শেনফম আই.দি.পিদা

থাদবদা কয়াম কায়বগে হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। অমরোমদা, সরকারনা সঙাই ফেষ্টিবেলগী ৱারী শানবা হায়রকপদা কোকোমিনা শরুক য়ারোই হায়না পাউখুম পীখ্রে হায়বা কমিতিগী কনভেনরগী ৱাফম পোক ফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই ফেষ্টিবেলগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিন্নবা কোকোমিনা লাউথোকখিবগী পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেল অমদি তমেংলোং টাইমসতা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

সেনিয়ার একাউন্ট ওফিসার অমা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা ফাগৎখিবগা পাউ অসি-পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-ইন্টরনেসনেল ইয়ার ওফ কোওপরেটিবকী মীফম পাঙথোকখ্রে। চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবদা কোওপরেটিব সেক্তরগী থৌদাং চাউই হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌনরি।

পোকফমদা-গভনর য়াওনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। কোওপরেটিব মুভমেন্টকী মপাঙ্গল কলহনসি হায়বা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগী ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-সঙাই ফেষ্টিবেল অসি লমদম অসিদা শান্তি অমসুং শেন্মীৎলোনদা অহোংবা পুরকবনি হায়বা চীফ সেক্রেটরিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ঈশিং ঈচাওনা মাঙহন তাকহনখ্রবা লৌফমশিংগী

লৌমীশিংনা ফসল বিমা য়োজনাগী কান্নবা লৌবা য়ারগনি হায়বা মন্ত্রালয়গী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মীয়ামনা ঈচাও মায়োকখিবদু থৌবাল দামগী থোং হাংবদগীরা হায়বদু ইনক্কারি কমিতি শেমদুনা থিজিন্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মথক্তা চখবা মীওৎ মীনৈ থিংনবা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামীন্নবগী থৌরম অমা তমেংলোং হেদক্কাটরদা পাঙথোকখিবগী পাউনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোং টাইমসতা-অপাপং হায়না মিংথোনবা সেটিলাইট টেক তৌখিবা অমুর ফালকোন, সোমালিয়াদা থুংখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি অমদি বরাক ফেষ্টিবেল মীয়ামদা মপুং ফানা শরুক য়ানবা এন.পি.ওনা আপিল তৌবগা লোয়ননা ফেষ্টিবেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা লমদম অসিদা বন্দ-ব্লোকেডনচিংবা তৌবীদনবা আপিল তৌরি হায়বা পাউনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।